# নেহরু লৈখিদবগী থৌরমদা পি এম মোদি, সোনিয়া গান্ধী, রাহুল গান্ধী, লূচিংবশিংনা ঈকাইখুম্নবা উৎখ্রে



***ন্যু দিল্লি, মে ২৭(এজেন্সি)ঃ*** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ু পি এ চিয়ারপার্সন সোনিয়া গান্ধী, মচানুপা কোংগ্রেস চীফ রাহুল গান্ধী অমসুং লৈবাক অসিগী লূচিংবা কয়ানা ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুগী ৫৫ শুবা লৈখিদবগী থৌরমদা ঙসি মহাকপু নিংশিংখ্রে অমসুং ঈকাইখুম্নবা উৎখ্রে।

ঙসি অয়ুক দিল্লিদা জৱাহরলাল নেহরুগী নিংশিং খুভম শান্তিবনদা সোনিয়া গান্ধী, মহাক্কী মচানুপা কোংগ্রেস চীফ রাহুল গান্ধী, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনচীংবা লূচীংবা কয়ানা পন্দিতজিগী মফমদা ঈকাই খুম্নবা উৎনবা মহাক্কী নিংশিং খুভম সান্তিবনদা নিংশিং থৌরম অদু শরুক য়াখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিংতম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱহরলাল নেহরুগী মফমদা ঈকাইখুম্নবা উৎপগা লোয়ননা নেহরুনা লৈবাক্কীদমক তৌরমখিবা অচৌবা দান অদু নিংশিংখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদু, ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি, রাজস্থান চীফ মিনিষ্টর অশোক গেহলোতনাচিংবা লূচিংবা কয়ামরুম্না লৈখিদ্রবা লূচিংবা অসিগী মফমদা ঈকাইখুম্নবা উৎখি।

মহাক্কী মবুধৌবু নিংশিংলদুনা কোংগ্রেস চীফ রাহুল গান্ধীনা অকনবা, নিংতম্বা অমসু মোদর্ন ইনষ্টিট্যুসনশিং শাগৎপদা পন্দি জৱহরলাল নেহরুগী মমল নাইদ্রবা থবকশিং অদুনা চহী ৭০ অসি ইন্দিয়াদা দেমোক্রেসি হিংদুনা লৈবা ঙমহনবনি হায়খি। ইন্দিয়াগুম্বা দেমোক্রিসি চৎপা লৈবাক কয়া থুনমক দিক্টেটরসিপকী থাক্তা লৈখা তাখ্রে।

নবেম্বর ১৪, ১৮৮৯দা পোকখিবা জৱহরলাল নেহরুনা হায়খিবা ৱাফম অমা পল্লদুনা কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই রন্দীপ সিংহ সুরজেৱালানা ‘মহাক মশাগী মগুনগী মতাংদা অয়াম্বা ঙাংবা মীওই অদু খ্বাইদগী মগুন লৈতবশিংনি’ হায়খি।

মোদর্ন ইন্দিয়াবু শেমগৎলমখিবা, দেমোক্রেসিবু য়োকখৎলমখিবা, নেসনেল মুভমেন্টকী অকনবা য়ুম্বী অমা ওইখিবা অমসুং মীৎয়েং শানবা অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিত নেহরুদা ঐনা নোলুক্না ঈকাইখুম্নবা উৎচরি হায়না কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি।

মোতিলাল নেহরু অমসুং শ্বরুপ রানিগী মচানুপা ওইনা উত্তর প্রদেশকী এল্লাহাবাদতা নবেম্বর ১৪,১৮৮৯দা পোকখিবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মতম শাংনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা পন্দিত জৱহরলাল নেহরুনা বৃটিস লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্তা ইন্দিয়াগী নিংতম্নবগীদমক থেংনখি অমসুং নিংতম লাঞ্জং মনূংদা কয়ারক হন্না জেলদা চংখি।

অগষ্ট ১৫, ১৯৪৭দা ইন্দিয়ানা নিতম্বা ফংলবা মতূংদা মহাকপু লৈবাক অসিগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খনখি। ১৯৪৭দগী মে ২৭, ১৯৬৪দা মহাক শিদ্রিঙৈ ফাওবা মহাক্না লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা খ্বাইদগী মতম শাংনা লৈবাক অসি লুচিংলমখি।

# রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস এনভোয় ২ উন্নদুনা মাগী মহুৎ শিনবা ফংনবা খঙহনখ্রে ঃ লিখুনশিং



***ন্যু দিল্লি, মে ২৭(এজেন্সি)ঃ*** কোংগ্রেস পার্টি চীফকী ফমদগী তোক্কবা মহাক্কী ৱাখল হোঙলরোইদবনা পার্টিনা অনৌবা চীফ অমা ফংনবা হোৎনবা তাবনি হায়না রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখ্রে হায়না পার্টিগী লিখুনশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেসনা চাওনা মায়থিখিবা অদুগী মতুং প্রসিদেন্ট ফমদগী থাদোক্নবা মহাক্কী ৱারেপ অদু পার্টিদা অরেপ্পা খঙহনখ্রবা গান্ধীনা পার্টিদগী এনভোয় ২ উন্নখ্রবসু মহাকপু উন্নবা লাকখিবা পার্টিগী নৌনা খল্লকখ্রবা লোমেকরশিং উন্নৌ হায়বা য়াখিদ্রে। মহাক্কী মিটিং অমসুং এপোইন্টমেন্ট পূন্নমক ককথৎখ্রে হায়না লিখুলশিং অদুনা হায়রি।

রাহুল গান্ধীগা নক্নবা লিখুলশিংনা ফোঙদোকপদা মহাক্না ফম থাদোক্নবা চপ চানা লেপ্পবা ফাওবদা ফম অদু হুন্দোক্তুনা থল্লমখিরোই। মকোক থোংবা থবক অদুগীদমক অনৌবা মী অমা খন্নবা পার্টিদা মহাক্না মতম পীখিগনি হায়রি।

রাহুল গান্ধীনা প্রসিদেন্ট ফম থাদোক্নবা ৱাখল অদু হোঙদোকহন্নবা অহানবদা হোৎনখিবা মহাক্কী মমা সোনিয়া গান্ধী অমসুং মচনুপী প্রয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রনা হৌজিক মহাক্কী ৱারেপ অদু য়াখ্রে অমসুং কোংগ্রেসনা লূচিংবা অমা শিনবা তাবনি অমসুং অনৌবা অমা শেম্বা তাবনি হায়বদু য়াখ্রে।

মিষ্টর গান্ধীনা মহাক পার্টিদগী মাঙখিরোই অমসুং পার্টিগীদমক মখা তানা থবক তৌখিগনি হায়না ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্টকী ফম গান্ধী ফেমিলিদগী ওইগদবনি হায়বগী মথৌ তাবা লৈতে হায়বা মহাক্কী অচেৎপা ৱাফম অদু লিখুনশিং অদুনা হায়খি।

অতোপ্পা মহুৎশিনবা অমা ওইনা প্রিয়াঙ্কা গান্ধীগী মমিং পন্নরকপদা মসিদা ঐগী ইচননুপী চীংশিনগনু হায়না মিষ্টর গান্ধীনা হায়খি।

# সুরাতকী মৈ চাকখিবা মনাক্তা খোঙজং চংশিনগনি হায়খিবা হরদিক পটেল পুলিসনা ফাজিনখ্রে

***সুরাত, মে ২৭(এজেন্সি)ঃ*** মহৈরোই ২২গী পূন্সি মাঙখিবা কোচিং সেন্টরদা মৈ চাকপগী অৱাবা থৌদোক অদুগী মাতংদা হঙ্গর ষ্ট্রাইক চংশিনগনি হায়না শীংনখিবা কোংগ্রেস লূচিংবা হরদিক পতেল ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা পুলিসনা ফাজিনখ্রে।

মৈ চাকপগী থৌদোক অদুগী মতাংদা সুরাত মেয়র অমসুং অতৈ ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা গুজরাত গভর্ণমেন্টনা মতিকচাবা থবক লৌখৎত্রবদি চরাহেনবগী খোঙজং অমা চত্থগনি হায়না মহাক্না শীংনখিবনি।

মৈ চাকপগী থৌদোক থোকফম অদুগী মনাক্তা চরা হেনবগী খোঙজং অমা চংশিন্নবা সুরাতকী সরথানা পুলিস ষ্টেসনদগী পর্মিসন লৌনবা হোৎনখি অদুবু মদু য়ারকখিদ্রে।



মদু ওইদুনসু মিষ্টর পটেলনা মফম অদু তমনা লাকখি অমসুং ফয়ার এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবা মফম সরথানাদা প্রোটেষ্ট অদু তৌনবা মহাক্না শীংনখিবা অদুগী মরমদগী মহাকপু ফাজিনবনি হায়না সুরাত পুলিস কমিস্নর সতিশ শর্মনা হায়খি।

মহাক্না প্রোটেষ্ট অদু পাংথোক্নবা অয়াবা পীনবা হায়রকখি। ঙরাং মফম অদুদা হান্ননা লাকখ্রবা অমসুং মাগী রাইবেল গ্রুপকী মেম্বর অমনা মঙোন্দা এটেক তৌরকখিবা মরমনা ঐখোয়না অয়াবা অদু পীবা ঙমদে। মসি মহাক্কী মশা ঙাকথোক্নবগী ৱাহং অমনি। ঐখোয়না মহাকপু নুমিৎ খুদিংগী মফম অসিদা চৎহনবা ঙমলোই হায়না মিষ্টর শর্মনা হায়খি।

অদুম ওইনমক পতিদার অনামৎ অন্দোলন সমিতি (পি এ এ এস)কী মেম্বর ধরমিক মলাবিয়ানা মিষ্টর পটেলবু সেদিসন কেস অমগী মতাংদা হৌজিক জেলদা লৈরিবা কোতা এজিটেসন লিদর অলপেস কাথিরিয়াগী য়ুমদা চৎপগী লম্বীদা কামরেজ হায়ৱেদগী মহাকপু ফাখিবনি হায়খি।

ইরাই নুমিৎতা সুরাতকী সরথানা এরিয়াদা লৈবা মথোল ৪গী তখসিলা অর্কেদতা তমথিনা মৈ চাকখিবা অদুদা আর্ট এন্দ ক্রাফ কোচিং ইনষ্টিট্যুট অমগী মহৈরোই নুপীমচা ১৮ য়াওনা মহৈরোই ২২ শিখিবনি।

# এক্টর সন্নি দিওলগী মখুৎতা মায়থিহৌরবা পঞ্জাব কোংগ্রেস চীফ সুনিল জাখরসু ‘ঐ ফম থাদোক্লে’ লিষ্টতা য়াওরকখ্রে

***চান্দিগড়, মে ২৭(এজেন্সি)ঃ*** এক্টর–পোলিটিসিয়ান সন্নি দিওলগী খূৎতা গুরদাসপুর সিটতা মায়থিহৌরবা পঞ্জাব কোংগ্রেস চীফ সুনিল জাখরনা লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেসনা চাওনা মায়থিখিবগী মতাংদা ফম থাদোকপা ষ্টেট য়ুনিট চীফ কয়ামরুমগী মনূংদা খ্বাইদগী নৌবা ওইনা মহাকসু প্রসিদেন্ট ফম থাদোকখ্রে।

পঞ্জাবকী লোক সভা সিট ১৩গী মনূংদা ৮ মায় পাকপগা লোয়ননা পঞ্জাবনা ষ্টেট কয়াগী মনূংদা কোংগ্রেসকী থবক খ্বাইদগী হেন্না ফখি। মদু ওইরবা ফাওবদা সুনিল জাখরনা মহাক মশাগী সিট অমুক হন্না ফংবা ঙমখিদে।

বি জে পি লোমেকর বিনোদ খান্না লৈখিদ্রবগী তুংদা পাংথোকখিবা ২০১৭ বাই–পোলদা মশাগী চহী ৬৫ শুরবা কোংগ্রেস লূচীংবা অসি খনখি। অদুবু অহানবা ওইনা মীখল থেংনরকখিবা এক্টর সন্নি দিওলনা ভোট ৮০,০০০ হেন্না হেন্দুনা মহাক মায়থিবা নংহৌখি।

মীপূম খুদিংমক্না ঐবু মপূং ফানা শৌগৎপীরকখি অমসুং ঐগীদমক মখোয়গী অঙম্বা মখৈ হোৎনবীরকখি। অদুমকপু ঐনা ঐগী সিট ঙাকথোকপা ঙমদ্রে। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ঐনা মখা



তানা ষ্টেট চীফ ওইদুনা লৈবা ঙম্লরোই। মসিগী মোরেল রেস্পোসিবিলিটি লৌদুনা ঐনা ফম থাদোক্লে হায়না মাগী ফম থাদোকপগী চেরোলদা সুনিল জাখরনা হায়খি।

ভেটরান এক্টর অমসুং হান্নগী বি জে পি লোমেকর ধরমেন্দ্রনা গুরদাসপুরদা ঐগী ইচানুপানা মায়োক্নগদৌরিবা লম্বা অদু কনানো হায়বা খংলম্নবদি ইচানুপাবু ইলেক্সন কন্টেষ্ট তৌহল্লম্লোইদবনি হায়খি।

বলারাম জাখর ঐগী ইয়াম্বমককুম্বনি। করিগুম্বা ঐহাক্না মহাক্কী মচানুপা সুনিল জাখরনা গুরদাসপুরদগী কন্টেষ্ট তৌরি খঙলম্লবদি ঐনা সন্নিবু মাগী মায়োক্তা কন্টেষ্ট তৌবা য়াহল্লম্লোই হায়না মশাগী চহী ৮৩ শুরবা ধরমেন্দ্রনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

ঙসি ডা. অজোয় কুমারসু কোংগ্রেসনা ঝরখন্দদা সুপ্নগী সিট অমখক্তা ফংখিবা মরমদগী ঝরখন্দ প্রদেশ কোংগ্রেস কমিটি চীফতগী ফম থাদোক্লগনি হায়খ্রে। মসিগা মান্ননা ওরিষ্যা, অসাম অমসুং মধ্য প্রদেশকী কোংগ্রেস চীফসু ফম থাদোক্নবা চেরোল পীশিন্নখ্রবনি।

# ‘চিনানা মতম পূন্নমক্তা পাকিষ্টানগী মরুওইবা হিরমশিংগীদমক লেপকনি’

***ইস্লামাবাদ, মে ২৭(এজেন্সি)ঃ*** মালেমগী অহোংবা ফিমশিং লাক্কুনসু চিনানা মতম পূন্নমক্তা পাকিষ্টানগী মরুওইবা হিরমশিংগীদমক লেপ্তুনা লৈগনি হায়না চিনাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাং কিসাননা ফোঙদোকখ্রে।



পাকিষ্টান –চিনা ইনষ্টিট্যুট (পি সি আই)না শিন্দুনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা ফম্বা মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা সেনিয়ার চাইনিজ লিদর অদুনা মালেমনা অচৌবা দিভলপমেন্ট অমসুং ট্রেন্সফোর্মেসনশিংগী মতম অমদা চংশিল্লক্রি হায়খি।

ফিভম অসি ট্রেদিসনেল অমসুং নন–ট্রেদিসনেল শীংনবশিংনা অমুক্কা হেন্না লূশিনহনখ্রে অমসুং মায়োক্নবা ৱাখল অমসং কলচরগী কনফ্লিক অমা ওইহল্লে।

অসিগুম্বা মালেমগী ওইবা অহোঙবশিং লাক্কুনসু, মদু থিদনা চিনানা পাকিষ্টানগী মরুওইবা হিরমসিগীদমক মতম পূন্নমক্তা লেপকনি। পাকিষ্টান অমসুং চিনা অনীমক্না ইক্কেলিটি অমসুং ম্যুচুয়েল বেনিফিটতা য়ুমফম ওইবা অচুম্বা লম্বী অদু খেল্লে হায়না মিষ্টর ৱাংনা হায়খি।

সিল্ক রোদকী নুংগী ওইবা থৌনানা লৈবাক অনী অসিবু অমত্তা ওইবা হেরিটেজ অমসুং হিষ্টরিনা অমত্তা ওইনা পূন্সিন্নহল্লে হায়না লৈঙাক পায়রিবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চিনাগী পোলিটব্যুরোগী মেম্বর ৱাং কিসাননা হায়খি।

মহাক্না চিনা –পাকিষ্টান ইকোনোমিক কোরিদর (সি পি ই সি)গী মায় পাকপবু থাগৎখি অমসুং প্রোজেক্ট অসিগী অনীশুবা তাঙ্কক অদুনা পাকিষ্টান অমসুং চিনা অনীমক্তা অমুক্কসু হেন্না কান্নবশিং পুরক্লগনি হায়খি।

২০১৫দগী হৌখিবা সি পি ই সি অসি চিনাগী রিছোর্স মরাং কায়বা জিনজিয়াং ৱিঘর ওটোনোমস রিজনগা অরাবিয়ান সিদা লৈবা পাকিষ্টানগী মরুওইবা গৱাদর হিথাংফমগা শন্নহল্লিবা– লম্বীশিং, রেলৱেশিং অমসুং ইনর্জি প্রোজেক্টশিংগী মাঙজৌনবা য়াথোক্তুনা থৌরাং তৌরবা নেটৱার্ক অমনি।

পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টর শাহ মেহমুদ কুরেসিনসু সি পি ই সি অসি পাকিষ্টান অমসুং চিনাগগী মরক্তা পূশিন্নহল্লিবা শক্তি অমনি হায়খি।

বেল্ট এন্দ রোদ ফোরমদা শরুক য়ানবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা হন্দক চিনাদা চৎখিবা অদু পল্লদুনা ফোরেন মিনিষ্টর কুরেসিনা পাকিষ্টানগী চাওখৎহন্নবগী থবকশিং তৌবগীদমক সি পি ই সিবু থাগৎখি।

# জপাননা এফ –৩৫ ৱারপ্লেন ১০৫ লৈগদৌরি

***টোকিও, মে ২৫(এজেন্সি)ঃ*** য়ু এসকী খোংবু অমদা খ্বাইদগী চাওবা এফ–৩৫ ফ্লীট অমা পীরদুনা য়ু এসনা শাবা ষ্টেল্‌ঠ ৱারপ্লেন ১০৫ লৈনবা জপাননা থৌরাং তৌরি হায়না ঙসি য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট ভিজিট অমদা হৌজিক টোকিওদা লৈবা ট্রম্পনা ব্রান্দ নিয়ু এফ–৩৫ ৱারেপ্লেন ১০৫ লৈনিংবগী জপানগী অপাম্বা হন্দক্তা লাওথোকখ্রে হায়খি।

# পাকিষ্টানদা লৈবা গুরু নানক পেলেস ফৎতবা মীওই খরনা থুগাইরম্লে





***লাহোর, মে ২৭(এজেন্সি)ঃ*** পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সতা লৈবা চহী চা কয়া লিরবা গুরু নানক পেলেস অদু মীওই খূৎপু অমনা মচেৎ ওইনা থুগাইখ্রে অমসুং মখোয়না মমল নাইদ্রবা থোংনাওশিং অমসুং থোংশিং অদু য়োনথোক্লে হায়না ঙসি নিংথৌকাবগী মেদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মথোল ৪ লৈবা বিল্ডিং অদুগী ফক্লাংশিংদা সিখিজম লিংখৎলমখিবা গুরু নানককী লোয়ননা তোঙান –তোঙানবা হিন্দু লৈঙাকপশিং অমসুং নিংথৌ মচাশিংগী অয়েকপা শক্তমশিং থেৎলি হায়না দোন ন্যুজগী পাউনা হায়খি।

চহী ৪০০ হেনবগী মমাঙদা শাখিবনি হায়বা বাবা গুরু নানককী পেলেস অদু ইন্দিয়াদগী য়াওনা মালেমগী অকোয়বদগী শিখ কয়ামরুমনা তোয়না লাকই।

পঞ্জাব প্রোভিন্সকী কোনুং লাহোরদগী কিলোমিটর ১০০ রোম লাপ্পা নারোৱাল সিটিগী খূঙ্গং অমদা বিল্ডিং অদু লৈ। বিল্ডিং অদুদা কা ১৬ লৈ, কা অমমমদা য়ামদ্রবদা ফজরবা থোঙ–থোঙনাও ৩–৩ অমসুং ভেন্টিলেটর ৪–৪ লৈ।

বিল্ডিং অদু থুগাইদুনা মচেৎ – মচেৎ য়োল্লিবা মীওই খূৎপু অদু ঔকাফ দিপার্টমেন্ট ওফিসিয়েলশিংগা লৌতুনবা মাল্লি। অদুম ওইনমক ওথোরিটিজনা মসিগী মপু কনানো হায়বগী মরমদা করিগুম্বা লংলা– লংজিন অমত্তা খংদ্রি।

মুহমদ অস্লাম কৌবা মফম অদুগী মীওই অমনা অরিবা বিল্ডিং অসি পেলেস ওফ বাবা গুরু নানক কৌই অমসুং ঐখোয়না মসিবু মহালান হায়না মমিং থোল্লি হায়খি।

ইন্দিয়াদগী য়াওনা মালেমগী মফম কয়াদগী শিখশিংনা বিল্ডিং অসি য়েংবা লাক্লে। ইতিহাসিক ওইরবা বিল্ডিং অসিগী মরমদা ই–পাউ কয়া য়াওবা লাইরিক অমা পুরদুনা নুপী অমা য়াওইনা মীওই ৬না শাবা দেলিগেসন অমা কনাদাদগী লাক্লমখি। দেলিগেসন অদুনা বিল্ডিং অদু উবদা মমল নাইদ্রবা লন অমা ফংবগুম্না নুংঙাইবা পোকখি হায়না খূঞ্জা অদুনা হায়খি।

শক্তি লৈবা মীওই করনা বিল্ডিং অদু শিদোকপগী মতাংদা ঔকাফ দিপার্টমেন্টতা পাউ খংহনখি অমদুবু ওফিসার নৎত্রগা ওফিসিয়েল অমতনা থবক লৌখৎলকখিদে অমসুং লাকপা ফাওবা লাকখিদে।

বিল্ডিং অদুগী মথোল ৩ হান্ননা শিদোকখ্রে অমসুং অনৌবা য়ুমশিং শাজিল্লকখ্রে। শক্তিলৈবশিংনা ঔকাফ দিপার্টমেন্টকা লৌতুনরগা বিল্ডিং অদু শিদোকখিবনি অমসুং মদুগী তাঙলবা থোঙশিং অমসুং ভেন্টিলেটর অমসুং অতাঙবা মখলগী উশিং য়োল্লোকখিবনি হায়না মুহমদ অশ্রফ কৌবা মফম অদুগী অতোপ্পা খূঞ্জা অমনা হায়খি।

ইভেক্কুই ট্রষ্ট প্রোপরটি বোর্দ (ই টি বি পি) সিয়ালকোট জোন রেন্ট কলেক্টর রানা ৱাহিদনা ঐখোয়গী টিমনা গুরু নানক মহল বথানৱালা অদু ইনভেষ্টিগেসন চত্থরি। করিগুম্বা পেলেস অসি ইভেক্কুই ট্রষ্ট প্রোপরটি বোর্দকী প্রোপরটি ওইরম্বা তারবদি দায়ত্ব ওইবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা আইনগী থবক লৌখৎকনি হায়খি। মফম অসিগী মীয়াম্না মরান লৈবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানদা হায়জখ্রে।

# টেরেরিষ্ট এটেকতা পকিষ্টান লান্মী ১ শিখ্রে

***ইস্লামাবাদ, মে ২৭(এজেন্সি)ঃ*** পাকিষ্টানগী ইরাং কনবা অৱাং– নোংচুপ থংবা ত্রাইবেল রিজন নোর্থ ৱাজিরিষ্টানদা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেক্যুরিটি পোষ্ট অমদা চত্থরকখিবা টেরোরিষ্টকী এটেক অমদা পাকিষ্টান আর্মিগী লান্মী অমা শিখ্রে।

লমদম অদুগী সৱাল ভেলিগী মাক্কি গরহদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক তৌরকপদা মখোয়গা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা নোংমৈ কাপ্নখি। আর্মি ট্রুপশিংনা টেরোরিষ্টশিং অদুবু চপ চানা খোঙফম হন্দোকহনখি অমসুং নোংমৈ কাপ্নবা অদুদা লান্মী অমা শিখি হায়না আর্মিগী মেদিয়া ৱিং ইন্টর–সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসনস(আই এস পি আর)না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ঙরাং বোয়া এরিয়াদা লৈবা আর্মি পোষ্ট অমদা টেরোরিষ্ট গ্রুপ অমনা এটেক তৌরকখিবা মফম অদুদা পেট্রোলিং চৎপদা আর্মিনা মশক খঙদবা হকচাং ৫ থেংনখ্রে। হকচাংশিং অদুদা নোংমৈ মরুনা পানখিবগী অশোকপা দাগফমশিং লৈরম্মী। টেরোরিষ্টশিংনা এটেক তৌরকখিবা খর কামার পোষ্টতগী কিলোমিটর অমা মখাইরোম লাপ্পদা লৈবা ঈশিং কংলবা তুরেল মচা অমগী খোঙনূংদগী হকচাংশিং অদু ফংখিবনি।

মতম অমদা মিলিটেন্টশিংগী অকনবা মফম অমা ওইরম্বা নোর্থ ৱাজিরিষ্টান অসি ২০১৪গী ওপরেসন অমগী মতূংদা মিলিটেন্টশিং লৈরুদ্রবনি।

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 10/04/19
Sl. No. : 2300
Valid : 08/04/19
Sl. No. : 1530
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 25/05/19
Valid : 21/05/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 08/05/19
Valid : 29/04/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 23/04/19
Valid : 13/04/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 16/04/19
Valid : 13/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : Up to Date
Valid : Nill
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 09/05/19
Valid : 17/04/19
Stk : 306, 19kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : 07/05/19
Valid : 30/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Ashangbi Indane, Sugnu**
Booking : 20/03/19
Valid : 15/03/19
Stk : 612
Time : 09.00 to 11.00 a.m.

**Heirok Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-134**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | | 3 | 5 | | 4 | | |
| 7 | | | | 8 | 1 | | | 6 |
| | | | 7 | | | 5 | 1 | 9 |
| 6 | 8 | | | | | 7 | | 5 |
| 5 | 1 | | | | 6 | | | 8 |
| | | 7 | | | 5 | | 3 | 1 |
| 1 | | 6 | | | | 8 | | 3 |
| | 7 | | 6 | | | | 5 | |
| | | 5 | | 1 | | | 6 | |

**সনা–সুদোকু – ১৩৩ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 6 | 5 | 7 | 3 | 2 | 9 | 4 | 1 |
| 4 | 1 | 7 | 6 | 9 | 8 | 5 | 2 | 3 |
| 3 | 2 | 9 | 4 | 1 | 5 | 7 | 6 | 8 |
| 5 | 7 | 1 | 9 | 8 | 6 | 4 | 3 | 2 |
| 6 | 4 | 3 | 1 | 2 | 7 | 8 | 5 | 9 |
| 2 | 9 | 8 | 5 | 4 | 3 | 6 | 1 | 7 |
| 1 | 8 | 6 | 2 | 5 | 9 | 3 | 7 | 4 |
| 9 | 5 | 4 | 3 | 7 | 1 | 2 | 8 | 6 |
| 7 | 3 | 2 | 8 | 6 | 4 | 1 | 9 | 5 |